# প্রনাব মুখর্জি ফাইনান্স মিনিষ্টরগী ফমদগী রিজাইন তৌখ্রে সংমা ত্রিনামুলগী সপোর্ট ফংদ্রি

*নিউ দিল্লি, জুন ২৬ঃ* লাক্লিবা শগোলশেন নুমিৎতা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিভ এল্লাইন্স (য়ু পি এ) কী প্রসিদেন্ট মীরেপ অমা ওইনা মশাগী মীরেপচে থাগৎনবগীদমক্তা লৈবকোপোকপা নুমিৎতা প্রনাব মুখর্জি য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর ফমদগী রিজাইন তৌখ্রে।

নিউদিল্লিদা মহাক্কী ওফিস মমাঙদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা মুখর্জিনা হায়খি, "ঙসিগী অরোইবা নুমিৎ অসিদি অতৈৱারী শানবগী মতম নৎত্রে। ঐহাক ঙসিদগী অনৌবা খোঙচৎ অমা হৌনবা থৌরাং তৌরে। য়ু পি এ-২ না প্রসিদেন্টকী মীখল অসিগীদমক্তা ঐহাকপু মীরেপ অমা ওইনা থাগৎপীরকপা অসিদা ঐবু ইকায়-খুম্নবিবা অমসুং নুংশিবীবগী ৱাখল অমা পুক্নিংদা ফাওই। চহি ৪০ হেল্লক্লবা পোলিটিকেল এক্টিভিষ্টি অমগী পুন্সি অদুবু তুংওইনরক্লগনি হায়বসি খল্লুবদা ইথন্তা পুক্নিং নুংশিজবগী ৱাখল অমসু পোক্তবা ঙমদে। ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিদা লৈরিবা ঐগী মরুপ মপাংশিংগা ঐহাক্না লাপথোক্নরগনি।"

"পুন্সি অসিদা ঐহাক্না শাংলবা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে। অদুবু ইশামক নোংচুপ বেঙ্গলগী অথাপ্পা খুঙ্গং অমগী ইচম চম্বা ইমুং অমদা পোকখিবা মীশক্নি হায়বসিদি ঐহাক্না মতম পুম্বদা কাউথোকপা ঙমজদে। ঐহাক্না লৌখিবা ৱারেপ খুদিংমক অচুম্বা নত্তে হায়বসি ইশানা খঙজে, অদুবু ৱারেপশিং অদু মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা লৌখিবনি" হায়নশু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখ্রে।

মুখর্জিনা প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহগা উন্নরগা মহাক্কী ফম থাদোকপগী চেরোল অদু হৌনবী মতুংইন্না পীশিল্লগনি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা সেনিয়ার লিদরশিংনা মহাক্কী চহি নিফু পার্টিগী থবক কয়া তৌরম্বা অদু শিংথারদুনা প্রসিদেন্টকী মীরেপ ওইনা খল্লবা প্রনাব মুখর্জিবু কংগ্রেসনা পামদ পামদ বীদাই পীখ্রে।

কংগ্রেস ৱার্কিং কম্মিটি (সি দব্লিয়ু সি) গী মিটিং অদুদা মেম্বরশিংনা মুখর্জিগী পার্টি অমসুং গভর্নমেন্টতা মতম শাংনা তৌখিবা দান কয়া অদু নিংশিংনরকপা অমদি সেনিয়ার লিদর অসিনা মহাক্তি ময়ামগা পুনবা ফংলরোই হায়বা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লকপদা নুংওনবা পুঙজা খরা উবা ফংনখি।

প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনা মুখর্জি য়াওদবগী অহাঙবা অদু মায়োক্নরগনি হায়না নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং পার্টিগী চিফ সোনিয়া গান্ধীনা মহাক্তি প্রসিদেন্টকী ফম অসিগীদমক্তা য়াম্নমক মতিক চাবা মীরেপ অমনি হায়না শিংথাখ্রে।

মুখর্জিবু পার্টিগী খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্তা ৱারেপ লৌফম ওইরিবা সি দব্লিয়ু সি গী খ্বাইদগী সেনিয়ার ওইরবা মেম্বর অমনি হায়না শিংথারদুনা সোনিয়া গান্ধীনা "মহাক্না কংগ্রেসখক্কী নত্তনা য়ু পি এগী য়েৎনবা লৈত্রবা অপাম্বা মীরেপ অমা ওইবদা" মহাক্না অপেনবা পোক্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

গভর্নমেন্টতা মুখর্জিবু পাক-শন্না ইকায়-খুম্নে হায়বা ৱাফম অসি পল্লদুনা মনমোহন সিংহনা হায়খি, "মহাক্কা কায়নবগী অহাঙবা অদু ঐখোয়না থেংনরগনি।"

মুখর্জিনা য়াম্না চাউনা মায় পাক্লগনি হায়বা আশা অমা গান্ধীনা ফোঙদোকখিগা লোয়ননা মহাক্কী মীরেপ্পু শৌগৎনরকখিবা পার্টিশিংগী মফমদা তৌবিমল খঙবা উৎখ্রে।

মুখর্জিনা হায়খি, মহাক্তি মতম পুম্বদা কংগ্রেসকী মীওই অমা ওইনা লৌজবা মরম্না অঙম্বা থাক্তা পার্টি অসিগীদমক্তা থবক তৌখি অমসুং মহাক্না তৌজখিবা পুম্নমক অদুগী মতিক চাবা মনা-মথুমশু ফংখি।

মহাক্না হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টরশিং ইন্দিরা গান্ধী অমসুং রাজিভ গান্ধী অমসুং সোনিয়া গান্ধী অমদি মনমোহন সিংহগী মফমদা তৌবিমল খঙবা উৎখ্রে।

কংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রটরি রাহুল গান্ধীনশু মহাক্কা পাউমীশিংগা তেন্তক্না উন্নখিবদা মুখর্জিনা পার্টি অসিগা মতম শাংনা লোয়নরকপা অদু নিংশিংখিবগা লোয়না সেনিয়ার লিদর অসিগী মফমদগী পাড়া কয়ামরুম তমখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

রাহুল গান্ধীনা হায়খি, "ঐখোয়না মঙোন্দগী পাড়া কয়ামরুম তমখ্রে।"

কংগ্রেসকী সেনিয়ার লিদর মনি শঙ্কর আয়রনা মুখর্জিদি মশাগী ফিরেপ হোংজদ্রবসু মহাক্কী মায়োক্তা লৈবশিংগা নুংশিনবা ঙম্বা অঙকপা মীশক অমনি হায়না শিংথাখ্রে।

আয়রনা পাউমীশিংদা হায়খি, "মহাক্তি অতৈ পার্টিশিংগীতা নত্তনা কংগ্রেসকী লিদরশিংগসু য়েৎনবা মশাগী ফিরেপ হোংদবা মীশক্নি।"

আয়রনা মুখর্জিগী মশাদা থেংনবা অতোপ্পা শিংথানিংঙাই ওইরবা গুন অমনা মহাক্কী রাজনিতি অমসুং লৈঙাক্লোনগা মরী লৈনবা ইশু খুদিংমকপু অমত্তা চিংখদনা নিংশিংবা ঙম্বা মওং অসিনি।

ভারতিয়া জনটা পার্টিনসু মহাকপু ফজবা ৱাহৈ-ৱাতানা থাগৎপা ফোঙদোক্নরি।

বিজেপিগী ভাইস প্রসিদেন্ট মুখতার অব্বাস নকভিনা পাউমীশিংদা হায়খি, "মুখর্জিদি য়াম্না খঙহৈরবা রাজনিতিৱালা অমসুং অফবা মীওই অমনি, মহাক্তি কখোক্লবা কংগ্রেসকী মীওইনি।" পার্টিগী ৱেষ্ট বেঙ্গল য়ুনিটতা ত্রেজরর, পার্টি জেনরেল সেক্রেটরি য়াওনা মুখর্জিনা মখল-মখা কয়াগী ওর্গনাইজেসনগী ওইবা দায়ত্ব কয়া লৌরকখ্রে। মহাক তোঙান তোঙানবা মিনিষ্টরগী দায়ত্ব কয়াসু লৌখ্রে।

মহাক্কি রাজনিতিগী কেরিয়র অসি ইং ১৯৭৩ দা ইন্দষ্ট্রিয়েল দিভলপমেন্টকী দিপ্যুটি মিনিষ্টর অমা ওইনা হৌরকখি অমসুং ইং ১৯৮২ দা ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইখি অমসুং ফম অসি হন্দকশু মহাক্না পায়খি।

ইং ১৯৬৯ দা রাজ্য সভাগী মেম্বর অমা ওইনা মহাক্কী পার্লিয়ামেন্টরি কেরিয়র হৌখি অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী জঙ্গিপুর কন্সটিটুয়েন্সিদগী লোক সভাদা থাগৎলকখিবা ইং ২০০৪ মমাঙ ফাওবদা অপ্পর হাওসতা নোমিনেট তৌখি।

মুখর্জি ইং ১৯৭৮ দা দি দব্লিয়ু সিগী মেম্বর অমা ওইখি।

মমাঙদা মুখর্জিনা মহাক্কী মীরেপ্পু শৌগৎনবা ৱারেপ লৌবা তৌদ্রিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মফমদা মহাকপু শৌগৎপীনবা আপিল তৌখি।

ৱাফম অদু হৌজিক ফাওবা অৱাংবা ফম অসিগীদমক্তা মহাক্কী মীরেপ অসিবু শৌগৎপা তৌদ্রিবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চিফ মিনিষ্টর অমসুং ত্রিনামুল কংগ্রেসকী লুচিংবী মমতা বেনর্জিগী মফমদা নাকোইননা আপিল তৌখিবনি।

প্রসিদেন্টকী মীখল জুলাই ১৯ দা পাঙথোক্লগা জুলাই ২২ দা ভোট মশিং থিগনি। প্রটিভা দেবিসিংহ পটিলনা প্রসিদেন্ট ওইবগী মতম জুলাই ২৪ দা লোইরে।

মরকসিদা প্রসিদেন্ট কেন্দিদেট অমা ওইরিবা পি সংমানা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চিফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা ত্রিনামুল কংগ্রেসকী সুপ্রিমো মমতা বেনর্জিগী মতেং নীখ্রে। অদুম ওইনমক হৌজিক ফাওবগী ওইনা ত্রিনামুল কংগ্রেসকী ৱারেপ অমত্তা লৌবা লৈত্রি। ত্রিনামুল কংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি মুকুল রোইনা হায়খিবদা, মহাক্কী পার্টিনা প্রসিদেন্ট মীখল অসিদা কনাদা শৌগৎকদগে হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনা হায়বা ঙনমল্লি। য়াম্না হাথু হাথুনা লাওথোকপা তৌরোই হায়খি।